**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-06-2025)**

**লেন্দ (এল)ঃ** হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং চুবনা মরম ওইরগা তমেংলোং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা চারিনাপাং খুল ফাওদুনা চৎলিবা মাকুৱাদগী লোংচাই ফাওবগী লম্বীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চিং নিংখায়বনা মরম ওইরগা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদ্রে।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমীনা হায়-লম্বী অসিগী মফম অয়াম্বদা ঈশিং থুমজিনবনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা লম্বী কায়বনা চৎথোক চৎশিনদা য়ামা খুদোংচাদবা মায়োকরে। লম্বী অসি য়ামা মরুওইবা চৎথোক চৎশিন তৌবা লম্বী অমা ওইবনা মরি লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা শেম্বীনবা খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নোনে জিলাগী মনুং চনবা লুৱাংচুম অমসুং রাংখুং খুলগী মরক্তা চিং নিংখায়দুনা লম্বী চৎপা য়ারমদবা অদু লম্বী শেংদোক্কুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়ারে।

**নোং (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাদা কুমগী নোং য়ৌরকপগা লোয়ননা লৌমীশিংগী মীপায়বা খরদং ওইরবসু কোকহনবা ঙমলে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখিনিনা হায়-জিলা অসিদা হৌখিবা নুমিৎ নিনিরোম অসিদা ময়াই ওইরপ চাংদা নোং চুখি। মসিনা লৌ থাবগী চপ চাবা তঞ্জা পীবগা লোয়ননা লৌমীশিংনা লৌ শুবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

লৌমীশিংনা ঈশিং মরাং কায়না লৈরিঙৈদা লৌ হুনবগী থবক লোয়শিন্নবা অমসুং কুমগী নোং মতম চানা য়ৌরকপা অসিনা লৌগী পোৎথোক হেনগৎহনবসু ঙমগনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা লৌমী অমনা হায়-

মরক অসিদা, নোং অসিনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চিং নিংখায়বনা চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎপ অপন থোক্লে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগীসু নোংজ্ থা মতম অসিদা মরুওইনা চিং নিংখায়বা য়াবা অমসুং ঈশিং থুমজিনবা য়াবা মফমশিংদা থবক তৌরিবা লৌমীশিংনা সেফতি প্রিকোসন ঙাকা থবক শুবীনবসু আপিল তৌরক্লি।

**ধরতি (এল)ঃ** ধরতি অবা জনজাতিয়া গ্রাম উতর্কাস অভিয়ান (দাসগুৱা) এৱারনেস এন্দ সেচুরেসন কেম্পেইন ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংলেপ সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা হেংলেপ খুলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিং, খুলগী লুচিংবশিং অমসুং সরকারগী কর্ম্মচারি কয়ানা শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্পেইন অসিদা জিলা অসিগী পুন্না খুঙ্গং ১৫ কোনশিনখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দাসগুৱা ইন্সিয়েটিবকী মখাদা পায়খৎকদৌরিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না অধার এনরোলমেন্ট, রেসন কার্ড এপ্লিকেসনগা মরী লৈনবা থবকশিংসু লৌখৎখি।

মখা তানা ধরতি অবা জন ভাগীদিরি অভিয়ানগী মখাদা এৱারনেস এন্দ বিনিফিকট সেচুরেসন কেম্প ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈখুল কবুই খুলদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ বিভাগকী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসার-কে. ধঞ্জয়না পি.এম. গরিফ কল্যান অনা য়োজনা অমদি পি.এম. উজৱালা য়োজনাগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডাঃ নিবেদিতা লাইরেনলাকপনা এ.এ.ৱাই. য়াওনা রেসন কার্ড ১০৫, আয়ুসমান কার্ড ২৩ বিনিফিসরিশিংদা খুৎশিন্নখি।

তেংনৌপল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লাঙ্গোল অমসুং খুনবী খুলশিংদসু ঙসি দাসগুৰা কেম্পেইন পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা তেংনৌপলগী এস.দি.সি, খুলগী লুচিংবশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৪৫০ রোমনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না পি.এম.জে.এ.ৱাই. কার্ড, ফিসরিজ কার্ড, সার্টিফিকেট অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগতগী তোঙান তোঙানবা উ চারাশিং বিনিফিসরিশিংদা খুৎশিন্নখি।

**দাসগুৰা (এল)ঃ** ধরতি অবা অভিয়ান কেম্পেইনগা মরী লৈননা জিরিবাম জিলাদা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা সভাপতি ওইদুনা দি.সিগী ওফিস চেম্বরদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-চয়োল অমা চুপা পাঙথোকপা কেম্পেইন অসি জিলা অসিগী মরুওইনা ত্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিং চোতোবেক্রা অমসুং ভুতাংখালদা থা অসিগী ১৬ তগী হৌদুনা পাঙথোক্লি। দি.সিনা হায়-দাসগুৰা স্কিমগী মখাদা পায়খৎলিবা কেম্পেইন অসিনা অককবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল কাংলুপকী মীওইশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক পায়খৎপা অমসুং ত্রাইবেল কাংলুপশিংবু মপাঙ্গল কনখৎহনদুনা মীপাল তাংদনা চাউখৎ লম্বীদা চংশিনহনবা ঙমগনি।

মীফম অদুদা দি.সিনা চোতোবেক্রাদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অমসুং থা অসিগী ২৮ দা জাইরোলপোকপীদা পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্পেইনশিংগী এক্সন প্লান পীখৎলকবসু মরী লৈনবা বিভাগশিংদা খঙহনখি।

**কোবিদ (এল)ঃ** হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিদা নৌনা মীওই ১৩ পোজিটিব ওইদুনা পুন্না পোজিটিব ওইবগা লোয়ননা পুন্না এক্তিব কেস ১৩৭ লৈরি।

হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়-হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৫৫৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৭১ কোবিদ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা

মীওই ৩৪ নাবা ফদুনা দিচার্জ তৌখ্রে। পোজিতিভ ওইবগী চাং চাদা ২৯.৫নি। হৌজিক হোম আইসোলেসনদা মীওই ১২৪ লৈরি।

**ইয়ারপোট (এল)ঃ** ভারত্তিয়া ৱাইয়ুয়ান অভিনিয়ম ২০২৪ (দা ইন্দিয়ান ইয়ারক্রাফট এক্ট-২০২৪), দা ইয়ারক্রাফট দেমোলিসন ওফ ওবস্ত্রক্সন কোস বাই বিল্ডিং এন্দ ত্রিজস রুল-১৯৯৪ গী মতুং ইন্না ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টকী কিমিটর ৫৬ কী অকোইবদা লৈবা মফমশিংদা য়ুম নৎত্রগা করিগুম্বা বিল্ডিংশিং ৱাংনা শাগৎপদা ইয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াদগী নো ওবজেক্সন সার্টিফিকেট এপ্লিকেসন সিষ্টেম (এন.ও.সি.এ.এস) লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলম্বম রাজকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-নিয়মশিং অসিগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওইশিংনা য়ুম নৎত্রগা বিল্ডিং শাগৎপা মতমদা তঙাইফদবা এন.ও.সি.এ.এস. অসি লৌগদবনি। করিগুম্বা হায়রিবা মফমশিং অসিদা বিল্ডিং নৎত্রগা উ-ৱাশিং কা হেন্না ৱাংবা লৈরগদি মদু য়াম্হৎপা নৎত্রগা থুগায়বগী থবক চগথগনি। এরোপ্লেনশিং পাইবদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা থৌরাং অসি পায়খৎপনি হায়রি।

**ইভিক্সন (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা তুরেল অমসুং খোংবানশিংগী মথক্তা আইননা য়াদবা মওংদা শাজিল্লিবা য়ুম অমসুং দুকানশিং অথুবা মতমদা লৌথোক বা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: নেবিদেতা লাইরেনলাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়-অসিগুম্বা নিয়ম কায়না শাজিনবা য়ুম অমসুং দুকানশিং অসিনা ঈশিংগী খোঙজেলদা অয়েৎপা পীদুনা নোংজ্ থাগী মতমদা

ঈচাও থোকহনবগী চাউ ৱাংহল্লি। ঙসিদগী থারগা চয়োল অমগী মনুংদা হায়রিবা আইননা কায়না শিজিল্লিবশিং লৌথোকবা চেরোল অদুনা মখা তারি।

**ত্রেন্নিং(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী থবক ফংদবা নুপীশিংগীদমক অচা অথকশিং শেম শাবগী ত্রেন্নিং অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাস্তেক) তা হৌদোকখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা চত্থগনি। মসিদা অখঙ অহৈ কয়ানা চান-থকবা পোৎলমশিং শেম শাবা অমসুং লীদুনা থম্বগী মতাংদা তাক্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ওপরেসন সিন্দুরনা মালেম পুম্বদা টেরোরিজমগী মায়োক্তা ভারতনা অখাকপা অমত্তা থমলোই হায়বা থৌশিল অদুগী পাউজেল পীরে। মহাকা হায়-ভারত মচাশিংবু অৱা অনা নংহল্লিবা মীওইশিংগীদমক করিগুম্বা মফম অমত্তা শাফবা মফম ওইরোই হায়বসি ভারতনা ময়েক শেংনা খঙহল্লে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতকী ঙাকশেলগী ৱারেপ অসি হৌজিক্তি লৈবাক্কী স্বার্থদা করিনা চুম্মী অমসুং করি তঙাইফদবগে হায়বদুগী মতাংদা য়ুম্ফম ওইরে।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ভারতকী খ্বাইদগী চাউরবা স্প্রিচুয়েল অমসুং মোরেলগী লুচিংবশিং শ্রী নরায়ন গুরু অমসুং মহাত্মা গান্ধিনা ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা ৱারী শান্নখিবগী ১০০ শুবা কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা মারমদগী পুশিল্লকপা খুৎশু খুৎলায়শিংদা মীপাল তাংবগী চাং হন্থরক্লি। ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকপগী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারত লান্মীশিংনা লৈবাক অসিদা শাজবা খুৎলায় খক্তমক শিজিন্নদুনা য়েক বশিংবু ঐখোয়গী ইফমদা চংজহল্লকখি।

শ্রী মোদিনা হায়-ঙসিদগী চহি ১০০ গী মমাংদা কেরলাগী শিবগীরি মুটতা শ্রী নরায়ননা গুরু অমসুং মহাত্মা গান্ধি অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নখি অমসুং মসিনা

লৈবাক অসিগী নীংখা তম্বগী খোঙজেলদা অনৌবা মায়ওন অমা পুরকপা ঙমখি অমসুং ভিক্সিত ভারত অমা ওইনবা হোৎনবদা লেপ্পা লৈতনা পুকিং থৌগৎতুনা লাক্লি।

**সংহাইঃ** চিনাগী কিংদাউদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সংহাই কো-ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও) গী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফমদা ভারতকী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু, ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা লুচিংগনি।

নুমিৎ নিনিগী মীফম অদুদা এস.সি.ওদা য়াওবা লৈবাকশিংগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংনা লমদম অসিগী অমসুং মালেমগী সেক্যুরিতি, টেরোরিজম থেংননবা হোৎনরিবশিং অমদি ঙাকশেল মন্ত্রালয়শিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবা য়াওনা মরুওইবা ৱাফম কয়ামরুম খন্নগনি। শ্রী রাজনাথ সিংহনা এস.সি.ওগী ৱারেপ অমসুং চৎন-কাঙলোনশিংদা ভারতনা লৌরিবা অচেৎপা ফিরেপ অদু খঙহলবা য়াই। মালেমদা শান্তি থমবা অমসুং সেক্যুরিতি লৈহন্নবা ভারতকী মীৎয়েং অদুসু মহাকা পুথোক্তুনা খঙহল্লবা য়াই।

**জগদিপঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিগী হৌখিবা চহি তরা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা শেল থুম অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙন্বা মরমনা পুৱারীদা শিংথানিংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমা ওইরগনি।

বিহারগী মুজাফরপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-মালেমগী ওইনা শেল থুমগী লমদা শক্তি লৈবা লৈবাকশিংগী মরক্তা ভারতনা ১১ শুবা মফমদগী মঙাশুবা মফমদা লৈবা ঙমদুনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভমদা অচৌবা অওনবা অমা পুরকপা ঙমলে।

শ্রী ধনকরনা হায়-মমাংঙৈগী মতমদা লৈরমদবা খুদোংচাদবা কয়া হৌজিক্তি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা লায়না ফংবা ঙমলে। এন.দি.এ. সরকারগী মখাদা

হৌদোকখিবা ন্যু এদুকেসন পোলিসিবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-পোলিসি অসিনা মহৈরোইশিংদা ব্রেন স্তোরমিং, নেসন বিল্ডিং অমসুং করেক্তর বিল্ডিংগী ৱাখল্লোন্দ য়োকখৎতুনা থল্লি।

**ওপরেসনঃ** টেরোরিজম থেংননবা ওপরেসন চত্থনবা লান্মীগী শেম শাবগী পাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং অমদা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না ইমর্জেন্সি প্রোক্যুারমেন্ট মেকানিজমগী মখাদা কন্ট্রেক্ট ১৩ য়াখ্রে। মসিগী অপুনবা শেনফমনা লুপা কোতি লিশিং ১,৯৮১ নি। লৈগদবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা ইন্টগ্রেটেদ দ্রোন দিটেক্সন সিষ্টেম, লো লেবেল লাইটৱেট রাদার, ভেরি সোর্ট রেঞ্জ ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেম লোঞ্চর, মীসাইলশিং, বুল্লেট প্রুব জেকেট অমসুং রাইফলদা হাপকদবা নুমিদাংদা উনবা সিষ্টেমশিং য়াওরি।

**ইমর্জেন্সিঃ** লৈবাক অসিগী ইতিহাসকী খ্বাইদগী মন্বা তাঙ্ককনি হায়নরিবা ইমর্জেন্সি মতমবু নীংশিংবা ওইনা হয়েং সংবিধান হত্যা দিবস পাঙথোক্কদৌরি। নুমিৎ অসি ইমর্জেন্সিগী মতমদা কা হেন্না শাক্তি লান্না শিজিন্নবদগী অৱাবা নংখ্রবা পুমমক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমসুনি।

**থাইলেন্দঃ** থাইলেন্দ সরকারনা মফম অদুগী মীয়ামনা কম্বোদিয়াদা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে।

লৈবাক অনিগী ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈবদগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। পাউ অমনা হায়-গাড়ি নৎত্রগা মীওই অমত্তা থাইলেন্দদগী কম্বোদিয়াদা চংবদা অথিংবা থমখ্রে। থাইলেন্দগী মিলিটরিনা হায়-অথিংবা থম্লক্লিবা অসি হৌজিক ওইরিবা মফম অদুগী ফিভমগী য়েংলগা মীয়ামগী শাফনবগীদমক লৌখৎলকপনি। লৈবাক অনিগী হৌজিক ওইরিবা লমগী চয়েৎনবা অসিনা মরম ওইদুনা অশোয় অঙাম থোক্তনবা থৌরাং অসি পায়খৎপনি। কম্বোদিয়ানসু থাইলেন্দগী পোৎ-

চৈশিং পুশিল্লকপা থিংজিনখ্রে। মফম অদুদা থাইলেন্দগী টেলিভিজন চেন্নেলশিং অমসুং ফিল্মনচিংবদসু য়েংবদা অথিংবা থমখ্রে হায়রি।

**ফুটবোল (এল)**ঃ অনিসুবা চালৌ ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-শঞ্জেনবম এফ.সি. লাক্তবদগী বি.এস.য়ুনা থোইখ্রে।

লৌসাংখোঙ (এ) না ৱাই.দি.সি.এল-পুংদোংম্বম (বি) বু পাঞ্জল ৩-২ দা, হৈঙাং এফ.সিনা বি.আর.ৱাই.ওবু পাঞ্জল ২-০ দা, ওকসুনা ওরিয়েন্টেল এফ.এবু পাঞ্জল ৩-০ দা, এন.এন.কে.এফ.সিনা এস.এস.সিবু পাঞ্জল ৫-৪ দা অমসুং সি.ঐচ.ৱাই.য়ু.সি. চালৌনা অমেজোন এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)** ঃ ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিনবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগতা মখা তানা শরুক য়াররোই। একাদমি অসিগী শান্নরোইশিং চহি অসিগী মে ৩১ দা কন্ট্রেক্ট লোইখিবনা তুরনামেন্ট অসিদগী তোকখিবনি। টিম অসিগা শান্নগনি তৌরম্বা অতোপ্পা ক্লবশিংদা পোইন্ট অহুম অহুম পীরগনি হায়না অম্ফানা খঙহল্লক্লি।